# রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগী লিমোদা এটেক তৌখ্রে জেলেন্সকিগী কার অতোপ্পা গাড়ীগা থেঙ্গায়নখ্রে

মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনবু হাৎননবা হোৎনরকপা খোঙথাং অমদা মহাক্কী লিমোজিনদা এটেক তৌখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি। মোস্কোনা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা অকনবা লান চথরিঙৈদা এটেক অদু চথখিবনি। রসিয়ন টেলিগ্রাম চেন্নেল এসপিআরগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পুটিনগী লিমোজিন অদু মমাঙগী ওয় থংবা হ্বিলদগী অহৌবা মখোল অমা থোক্লকখিবগা লোয়ননা গাড়ী অদুদা এটেক চথরে হায়না ৱাঙনখি।



তৌইগুম্বসুং গাড়ী অদু থোইদোক্লা অমাঙ অতা থোকখিদবগা লোয়ননা অশোয় অঙাম য়াওদনা মহাক্কী রেসিদেন্স য়ৌনা থৌখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, মদুদি প্রসিদেন্ট পুটিন সেক্যুরিটিগী অকিবা মরক্তা দিকপোই নত্তগা বেক অপ মোটোরকেদ অমদা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা হল্লকখিবনি। মোটোরকেদ অদুদা আর্মর কার মঙা য়াওখি অমসুং পুটিননা অহুমশুবা কার অদুদা তোংখি। তৌইগুম্বসুং রিপোর্ট অদুদা থৌদোক অদু করি নুমিত্তা থোকখিবনো হায়বদুদি পনখিদে। রসিয়ন লিদর অসিগী কার অদু কন্ত্রোলগী মতাংদা প্রোব্লেম লৈদুনসু এটেক চথরক্লিবা মফম অদুদগী অশোয় অঙাম থোক্তনা মহাক্কী ময়ুম য়ৌশিনবা ঙমখি।

অকুপ্পশিং পন্দবীদা জেনরেল এসবিআরনা হায়, প্রসিদেন্ট পুটিনদা এটেক তৌবনি হায়রিবা থৌদোক অদুগী অহেনবা পাউশিং ক্লাসিফাইদ ওইহনখি। মিরর দোট কো দোট য়ুকে পল্লদুনা জেনরেল এসবিআরনা মখা তানা হায়, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা প্রসিদেন্টগী বোদিগার্দ (সার্ভিস) কী মকোক অমসুং অতৈ মীওই কয়া সস্পেন্দ তৌখ্রে অমসুং হৌজিক মখোয় কষ্টদিদা লৈরি। প্রসিদেন্টনা চখোক চৎশিন তৌবগী মতাংদা খঙলিবসি মশিং য়ামদবা মীওই খরখক্তনি অমসুং মখোয় লোইনমক প্রসিদেন্সিএল সেক্যুরিটি সার্ভিসকী মীওইশিংনি হায়না চেন্নেল অসিনা ক্লেম তৌখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা ফাখিবশিং অদুগী মনুংদা অহুম মখা তানা উবা ফঙখিদে। মীওইশিং অদু মোটোরকোদ অদুগী অহানবা কারদা তোংখিবশিংদনি। মখোয়দা করি থোক্লবগে হায়বসি হৌজিক খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়না তোংলিবা কার অদু থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদগী কিলোমিটর খরা লাপ্পবা মফম অমদা পুমহাং হাংলমখি হায়না জেনরেল এসবিআরনা মখা তাখি।

অমরোমদা, য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা তোংবা কারগা মোটোরিস অমগা থেঙ্গায়নখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা মহাক্কী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোক্সমেন অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু য়ুক্রেনিয়ন লিদর অসিগী মোটোরকেদ অদুনা কিভ ফাওরগা চৎলিঙৈদা থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট অদুদা খরা শোক্লবসু জেলেন্সকিগী ফিভম অরুবা ওইদে হায়নসু স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি। স্পোক্সমেন সর্গিনিকি ফোরোবনা ফেসবুক্তা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা পেসেঞ্জর কার অমগা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগী কার অমসুং এস্কোর্ট গাড়ীশিংগা থেংজিন্নখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়, প্রসিদেন্টগা লোয়নরিবা মেদিকশিংনা পেসেঞ্জর কার অদুগী দ্রাইভরদা ইমর্জেন্সি এইদ পীখি অমসুং মহাকপু এম্বুলেন্স অমদা ট্রান্সফর তৌখি। প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিবু ডাক্তর অমনা একজামিন তৌখি, তৌইগুম্বসুং মদুদা ফিভম লুনা শোক পনবগী মওং অমত্তা থেংনখিদে। এক্সিদেন্ট অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা লো এনফোর্সমেন্টশিংনা থিজিল্লগনি।

# পাকিস্তান তঙ্খায় অমা চাক্তাংবগী ফিভম মায়োক্নরকপা য়াই: রিপোর্ট

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): পাকিস্তান শীন থুংনা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা শাথিরবা মাঙ তাকপগী ফিভম অমা মায়োক্নদুনা লৈরিঙৈ মরক্তা করিগুম্বা মপানগী সোর্সশিংদগী চিঞ্জাক্কী সপ্লাইশিং য়াম্না থুনা শীন লাংদবা তারবদি লৈবাক অসিগী তঙ্খায় অমা চাক্তাংবগী ফিভম মায়োক্নরকপা য়াই হায়না অনৌবা রিপোর্ট অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।



মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এন্দ রিছার্সকী এজেন্সিশিংনা কম্পাইল তৌবা রিপোর্ট অদুনা হায়, পাকিস্তানদা ঈশিং ঈচাও পাক শন্না থোক্লিবা অদুনা লৈবাক অসিগী চিঞ্জাক্কী রিছোর্সশিংগী চাদা ৭০ মাঙহন তাকহনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্বু চাক্তাংবগী ফিভমদগী কন্ননবগীদমক অথুবা মতমদা মপানদগী চিঞ্জাক পুশিনবা মথৌ তারিবনি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু অদুক্কী মতিক শাথি হায়বসি গভর্ণমেন্টগী অহানবগী এসেসমেন্ট অমদগী খঙবা ঙম্মী।

গভর্ণমেন্টগী এসেসমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না শিন্দ অমসুং বেলোচিষ্টানগী মহৈ মরোং পুম্বগী চাদা ৯৫ রোম ঈচাওনা মাঙহন তাকহনখ্রে।

চৈরকসিদা পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱাদা প্রোভিন্স অনী অসিগী লোকপা য়ারবা মহৈ মরোং অপুন্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম ঈচাওনা মাঙহনখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা পাকিস্তানদা মীওই মিলিয়ন ৪০ রোম্না চিঞ্জাক ফঙলক্তবগী প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরক্লি। ফিভম অসিদা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা অমদি চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা য়াম্লবা চিঞ্জাক টন মিলিয়ন ১৪ খুদক্তা মপানদগী সপ্লাই তৌরকপা মথৌ তারি হায়না ফুদ এজেন্সিশিংগী ৱারোল পল্লদুনা সামা টিভিনা ফোঙদোকখি।

ঈচাওনা চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং মাঙহন তাকহল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৈ-রা, মনা মশিং অমদি অতৈ মীয়াম্না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা তঙাই ফদনা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিংগী মমল হান্নদগী কা হেন্না ৱাংখৎখ্রে।

সপ্লাই চেন হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্নবগীদমক্তা নেসনেল এক্স চেক্করনা গেহু, হৱাই, মরু মরাং অমসুং চিনিগুম্বা তঙাই ফদবা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং অসি মপানদগী পুশিনবা মথৌ তাই হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি। মপানদগী গেহু টন মিলিয়ন ৭ ইম্পোর্ট তৌবদা নেসনেল এক্স চেক্করনা চাদিং তৌগদৌরিবা শেনফম অসি দোল্লর বিলিয়ন ৩.৫ রোম ওইগনি হায়রি।

# নোংমৈ কাপ্পবদা মীশি মীনা থোকপদগী ৱেষ্ক বেষ্ক চেকপোইন্ট থিংজিনখ্রে

টেল অভিব, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): নোংমৈ কাপ্পবদা মীশি মীনা থোকখ্রবা মতুংদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা চেকপোইন্ট অনী থিংজিনখ্রে অমসুং মখা তানা অথিংবা কয়া থম্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।



মফম অদুগী কোওর্দিনেসন ওফ গভর্ণমেন্ট এক্তিভিটিসকী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইজরেলগী মরক্তা লৈরিবা মরু ওইবা ক্রোসিং অনী অল-জলামা (গিলবোৱা অমসুং সলাম) চেকপোইন্টশিং মখা তানা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা থিংজিল্লগনি।

মফম অদুগী সেক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুংদা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অমদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অনীনা অল-জলামা চেকপোইন্ট মনাক্তা ইজরেল্লি ট্রুপশিংদা নোংমৈ কাপ্পদা আর্মি ওফিসার অমা শিখ্রবা মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্টর বেনি গান্সনা থৌরাংশিং অদু লৌখৎখিবনি। এটেক অদুদা রেস্পোন্দ তৌখিবা ইজরেল্লি ফোর্সনা পলেষ্টিনিয়ন অনী কাপ্তুনা হাৎখি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা গনমেনশিং অদুনা লাকখিবা মফম কাফরদানদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা ইজরেলদা চঙবগী পার্মিট পীবা লেপ্পবসু ৱারেপ লৌখি। মহৌশানা কাফরদানগী মীওইশিংনা থবক শুনবগীদমক ইজরেলদা চঙননবা পার্মিট লৌনদুনা লাকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়ার লাপিদনা হায়খি, মদুদি ফ্রন্ট খুদিংমক্তা ওইরক্লিবা ফিভম খুদিংমক মায়োক্নবা আর্মি অমসুং শিন্দ বেদ ইন্টর্নেল সেক্যুরিটিনা শেম শারে। ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সি (ৱাফা) গী রিপোর্টনা হায়, ইজরেল্লি মিলিটরিনা অহমদ অবেদ (২৩) অমসুং অবদেল রামন অবেদ (২২) কৌবা গনমেন অনীদুগী হকচাং থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদগী লৌখৎখি। ভাইওলেন্স অদু ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা পরিং নাইনা চথরকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। হৌখিবা মার্চতগী ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা মরু ওইনা অহিংগী মতমদা পলেষ্টিনিয়নশিংবু ফা পুনবগী রেইদ তোইনা চথখিবগা লোয়ননা পলেষ্টিনিয়নশিংগা তোইনা খুৎ থোক্নখিবনি।

# কম্বোদিয়াগী অপুনবা ইনর্জিগী চাদা ৪০ দি রিন্যুএবল ইনর্জিনি: পিএম

নোম পেন, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): কম্বোদিয়াগী অপুনবা ইনর্জিগী চাদা ৪০ দি হাইড্রো পৱার, সোল্লর ইনর্জি অমসুং বাইও মাস ইনর্জিদগী ফঙবা রিন্যুএহবল ইনর্জিনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননা ফোঙদোকখ্রে।

৪০ শুবা অসিয়ন মিনিষ্টরশিংগী ইনর্জিগী মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা মাঙজৌননা রেকোর্দ তৌখিবা ভিদিও ষ্টেটমেন্ট অমদা হুন সেননা হায়খি, মদুদি কম্বোদিয়ানা লৈবাক অসিগী ইনর্জি মিক্সতা রিন্যুএবল ইনর্জিগী সোর্সশিং এক্তিভ ওইনা য়াওহল্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২১ দা হাইড্রোপৱার, সোল্লর ইনর্জি অমসুং বাইও মাস ইনর্জি য়াওনা রিন্যুএবল ইনর্জি সোর্সশিংদগী ফঙবা ইনর্জিগী চাং কম্বোদিয়াগী অপুনবা ইনর্জিগী চাদা ৪০ দা হেনগৎখি।

কম্বোদিয়াগী ইনর্জি সোর্সশিংগী পৱার কেপাসিটিগী মতাংদা রিন্যুএবল ইনর্জি সোর্সশিংগী স্যের অসি ইন্সটোল তৌবা অপুনবা পৱার কেপাসিটিগী চাদা ৫৫ রোমনি। কুমজা ২০২১ দা কম্বোদিয়াদা ইনর্জিগী দিমান্দ অসি মেগাৱাট ৪০১৪ দা হেনগৎখি।

হাইড্রো ইলেক্ট্রিক দামশিং, কোয়লা শীজিন্নবা পৱার প্লানশিং, দিজল শীজিন্নবা পৱার প্লানশিং, সোল্লর পৱার প্লানশিং অমসুং বাইওমাস পৱার প্লানশিংনা লৈবাক অসিদা পৱার মেগাৱাট ০৩৩ পুথোকখি অমসুং মেগাৱাট ৯৮১ না য়ুমথংনরিবা লৈবাক থাইলেন্দ, লাউস অমসুং ভিএটনামদগী ইম্পোর্ট তৌখি হায়না ইলেক্ট্রিসিটি ওথোরিটি ওফ কম্বোদিয়ানা ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেননা মখা তানা হায়খি, মদুদি কম্বোদিয়ানা মখা তানা ইনর্জি ইফিসিএন্সি অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জি দিভলপমেন্টদা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অসিগী ইনর্জি সপ্লাই সিষ্টেম মপুং ফাহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা কোয়লা অমসুং থাউগুম্বা ফোসিল ফ্যুএলশিং শীজিন্নবা ইনর্জি সোর্সশিংগী দিভলপমেন্ট হন্থহনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নেপালগী মথংগী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টনা অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি

কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): নেপালগী অনৌবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টনা আর্মর্দ ফোর্সেসতা অতেনবা মতমগী ওইনা রিক্রুইট তৌবা য়াহল্লিবা ইন্দিয়াগী অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাংদা অনৌবা ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সনা ফোঙদোকখ্রে।

নবেম্বর ২০ দা মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা হিমালয়ন লৈবাক অসিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা লাক্কদৌরিবনি। রিগ্যুলর প্রেস ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন সেৱাল লমশালনা হায়খি, মদুদি স্কিম অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা ৱারেপ লৌবা য়াবগী ফিভম লৈতে।

ইন্দিয়ান আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ পান্দেনা করিগুম্বা হিমালয়ন লৈবাক অসিনা মতম চানা ৱারেপ অমা লৌদবা তারবদি হৌজিক্কী সাইকলদা অনৌবা স্কিম অসিগী মখাদা নেপালদগী লৌগদবা লান্মীশিংগী ভেকেন্সিশিং ন্যু দিল্লিনা তঙাই ফদনা হন্দোকপা য়াই হায়খ্রবা মতুংদা নেপালগী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা ৱা ঙাঙবদা পান্দেনা হায়খি, মদুদি মীখল লোইরবা মতুংদা নেপালদা লাক্কদৌরিবা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা মহাক্না ফঙলে। ইস্যু অসি নেপালগী গভর্ণমেন্টনা মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা খন্নদনা লাকপনি। মীখলগী মাঙওইননা অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাংদা ৱারী শান্নবা নত্তগা দাইলোগ অমত্তা চথরোই হায়না লমশালনা ফোঙদোকখি।

অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাঙদা ঐখোয়না ইন্দিয়ন সাইটতা খঙহনখিবদি অনৌবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়বসিনি। মসি হৌজিমক্তি লৈখায় তাখিরোই। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা মখোয়গী ফিরেপ খঙহল্লকপা য়াই।

জেনরেল পান্দেগী ৱাফম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা লমশালনা হায়খি, মদুদি পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্না তান্নরগা নেপালগী অনৌবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌগনি। থাসিগী অঙনবদা কাঠমান্দুদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী চীফ অসিনা নেপালগী মহাক্না লেঙমান্নবা জেনরেল প্রভু রাম সমরাগা অগ্নিপঠ স্কিমগী মতাংদা খন্নখিবনি।

# ন্যু জিলেন্দগী অকোয়বদা সমুদ্রগী ঈমায় থুনা ৱাংখৎলক্লে

ৱিলিংতন, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): ন্যু জিলেন্দগী অকোয়বদা লৈরিবা সমুদ্রগী ঈমায়গী থাকশিং মমাঙগী চহীচাগী অহানবা তঙ্খায়গা চাংদম্নবদা হৌখিবা চহী ৬০ হেনবগী মতম অসিদা ৱাংখৎলকপগী চাং হেন্না থুজিনখি হায়না লৈবাক অসিগী ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্ট ষ্টেটস এন জেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটস এন জেৎনা হন্দক্তা ইনভাইরনমেন্টেল ইন্দিকেটর পোষ্টেল সি-লেভেল রাইজ অপদেট তৌখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ৬০ হেনবগী মতমদা ন্যু জিলেন্দ অপুম্বগী সমুদ্র মপানদা লৈবা মোনিটরিং সাইট মরিদা চহীগী ওইনা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎপগী চাং হান্নদগী থুগৎখি।

ষ্টেটস এন জেৎ ইনভাইরনমেন্টল এন্দ এগ্রিকলচরেল ষ্টেটিষ্টিক্সকী সেনিয়র মেনেজর মিচেলি লোইদনা ষ্টেটমেন্টদা হায়, তুংগী ওইবা ক্লাইমেট চেঞ্জ প্রোজেক্সনশিংনা সমুদ্রগী ঈমায়গী থাকশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। সমুদ্রগী ঈমায়গী থাক হেনগৎলকপসিনা সমুদ্র মপানদা লৈরিবা কম্যুনিটিশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হেবিটেটশিং অমদি বাইওদাইভর্সিটিদা শোকহল্লি।

ন্যু জিলেন্দগী মরু ওইবা সাইট মরি হায়বদি ওকলেন্দ, ৱিলিংতন, লিট্টলটন অমসুং দ্যুনদিনদা রেকোর্দ তৌখিবগী মতুং ইন্না সমুদ্রগী ঈমায়শিং কুমজা ১৯০১ দগী ১৯৬০ ফাওবদা লৈখিবা চাংগা চাংদম্নবদা হৌখিবা চহী ৬০ হায়বদি কুমজা ১৯৬১ দগীনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা ৱাংখৎলকপগী চাং হেন্না থুজিনখি।


## সিরিয়া অমসুং রসিয়ানা রেবেলশিংগী ট্রেনিং কেম্পশিংদা এটেক তৌখ্রে


দমাস্কস, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): সিরিয়াগী মিসাইলশিং অমসুং রসিয়াগী ৱার প্লেনশিংনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স ইদিলিবতা লৈবা অল্ট্রা-রেদিকেল রেবেল গ্রুপশিংগী পোজিসনশিংদা টার্গেট তৌখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সিরিয়া অমসুং রসিয়াগী ফোর্সশিংনা কো ওর্দিনেট তৌদুনা লৈবাক অসিগী ইদিলিবতা লৈবা রেবেলশিংগী ট্রেনিং কেম্পশিংদা চথখিবা ষ্ট্রাইকশিং অদুদা রেবেল কয়া মখোয়গী মপানগী ফোর্সশিংগা লোয়ননা শিখি নত্তগা অশোক অপন নঙখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি করম্না দ্রোন এটেকশিং পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ফোরেন ট্রেনরশিংনা লোকেল রেবেলশিংবু তাকপী তম্বীখি। টার্গেট তৌরিবা ফোরেন ট্রেনরশিং অদুগী মশিং নত্তগা মখোয়গী নেসনেলিটিশিং পনখিদে।

চৈরকসিদা রেবেলশিং অদুগী পোজিসন মখোয়গী গাড়ীশিং অমসুং দ্রোনশিং এটেক অদুদা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি। এটেক অদু রিকোনিসন্স ওপরেসন অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা শিল লাংখিবনি। ইদিলিবতা লৈরিবা রেবেলশিং অদুনা সমুদ্র মপানগী মফমশিংদা লৈরিবা রসিয়ন ফোর্সশিংগী পোজিসনশিংদা দ্রোন এটেকশিং চথখিবনি। কুমজা ২০১৫ দা রসিয়ানা রেবেলশিংদা শোক্নরিবা লান অদুদা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টগী মীচংদা লেপ্তুনা য়াওশিনখি।

## ক্বিন ইলিজাবেথকী কোফিন পুখিবা প্লেন খ্বাইদগী হেন্না ট্রেকিং তৌবা ফ্লাইট ওইরে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): ক্বিন ইলিজাবেথ অনীশুবগী কোফিন পুরিবা প্লেননা মমাঙগী রেকোর্দশিং থুগায়দুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না ট্রেকিং তৌবা ফ্লাইট ওইরে হায়না এভিএসন ট্রেক্কর ৱেবসাইট অমনা হায়রি।

ফ্লাইট রাদর ২৪ হায়না খঙনবা ৱেবসাইট অদুনা হায়রি, মদুদি লৈখিদ্রবা ক্বিন অসিগী হকচাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইদিনবর্গতগী লন্দনদা পুখিবা মতমদা মীওই মিলিয়ন মঙারোম্না মদুবু ওনলাইনদা ট্রেকিং তৌখি। মশিং অসি সোর্স অনীদগী ফঙবনি। ফ্লাইট অদুগী জর্নি ফ্লাইট রাদর ২৪ গী ৱেবসাইটতা মীওই মিলিয়ন ৪.৭৯ না ফোল্লো তৌখি অমসুং অহেনবা মীওই ২৯৬০০০ না প্লেন অদুনা য়ু ট্যুবতা ট্রেনিং তৌখি। মদুনা হৌখিবা থাদা য়ুএস হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা টাইৱানদা ৱাথোক ওইরবা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা এচিবক তৌখিবা মমাঙগী রেকোর্দ অদু থুগায়খি।

নেন্সি পেলোসিগী টাইপৈ খোঙচৎ অদু মীওই মিলিয়ন ২.৯ রোম্না ট্রেকিং তৌখি হায়না ৱেবসাইট অদুনা পল্লদুনা সিএনএননা ফোঙদোকখি। ক্বিন ইলিজাবেথ অনীশুবগী কোফিন পুরিবা রোয়েল এয়র ফোর্সকী প্লেন অদু পুং ১.১২ চুপ্পা পাইখি। প্লেন অদু লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টতগী মাইল তরুক্লোম লাপ্পা মিলিটরি ষ্টেসন অমা ওইরিবা আরএএফ নোর্থ হোলতা লেন্দিং তৌখি অমসুং কোফিন অদু বকিংহাম্ম পেলেসতা পুখি।

# মাইগ্রেন্টশিংগা মরী লৈননা য়ুএসকী গভর্ণরনা দিজাষ্টর প্রোক্লেমেসন সাইন তৌরগনি

ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী): টেক্সাসতগী ইলিনোইসতা চঙশিল্লক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংগীদমক রিছোর্সশিং শেম শাবা ঙম্নবগীদমক ইলিনোইকী গভর্ণর জেব্রি প্রিস্করনা দিজাষ্টর প্রোক্লেমেসন অমা খুৎয়েক পীরগনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

গভর্ণর অসিগী ওফিসনা হায়খি, মদুদি দিজাষ্টর প্রোক্লেমেসন অদুনা ষ্টেট, সিটি অমসুং কাউন্টি গভর্ণমেন্টশিংগী মরক্তা কোওর্দিনেট তৌবা ঙমহন্দুনা ট্রান্সপোর্টেসন, ইমজেন্সি সেল্টর, চিঞ্জাক, হেল্‌থ স্ক্রিনিং অমদি মেদিকেল ট্রিটমেন্ট য়াওনা মতেং কয়া পীবা ঙমহল্লি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রিস্করনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না মাইগ্রেন্টশিং রিসিপ্ট তৌবগী লোজিষ্টিক্সতা মতেং পাঙনবগীদমক্তা নেসনেল গার্দকী মেম্বর ৭৫ দিপ্লোই তৌখ্রে।

ইলিনোই অমসুং চিকাগোগী ওফিসলশিংগা কো ওর্দিনেট তৌবা নত্তগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবগীদমক্তা প্রিস্করনা টেক্সাসকী গভর্ণর ব্রেক অবোর্টপু চৈ থাখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি টেক্সাসকী গভর্ণরনা ন্যু য়োর্ক অমসুং ৱাশিংতন দিসি অমদি চিকাগো লোয়ননা অতৈ মফম কয়াদা অরোইবা পুংজাদা অরুবা প্রোসেস অমা নমদুনা চৎহন্নবা হোৎনরে। মসি মীনুংশি য়াওদবা পোলিটিক্সকী থৌওংনি হায়না লৌই।

ইলিনোইগী গভর্ণর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী ষ্টেটকী এটোর্নি জেনরেল অমসুং চিকাগো সিটিগী এটোর্নিশিংনা এবোটকী থৌওং অদুগা মরী লৈননা ক্রিমিনেল লাইএবিলিটি লৈব্রা হায়বসি খঙদোক্নবা ইনভেষ্টিগেসন চথরি। গভর্ণরনা মখা তারদুনা ফেদরেল কোর্টতা টেক্সাস গভর্ণমেন্টবু সূ তৌবগী ৱাফমসু হৌদোকখ্রে হায়রি।


MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

[illegible] / ADMISSION NOTICE / 721

Dated, the 14th September, 2022

**No. MU/3-20/BPES/Aca/22:** Online applications are invited for admission into Bachelor of Physical Education & Sports (4 Year Degree Course, BPES) for the academic session 2022-23.

***Eligibility :***

(i) Any candidate who passed 10+2 from recognized Board/Council/ University in any discipline provided that those who secured at least 45% (40% for SC/ST) marks in aggregate are eligible.
(ii) The candidates should be below 21 years of age on 1st July 2022 (Relexable upto 23 yrs of age in case of SC/ST and foreign candidates).
(iii) Only unmarried women, widows or divorcees without encumbrances, will be eligible for admission to BPES course.

Application form will be available online at www.manipuruniv.ac.in. Application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PWD candidates has to be paid online.

**Important Date Lines :**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 16th September, 2022 |
| Last Date for online Submission | Upto 5 p.m. of 30th September, 2022 |

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar/Aca**

HL-B/7830/16,17



MANIPUR UNIVERSITY
(A Central University Accredited Grade 'A' by NAAC)
CANCHIPUR : IMPHAL

[illegible] / ADMISSION NOTICE / 354

Dated, the 13th September, 2022

**No. MU/3-158/14/Aca(Pt):** Online applications are invited for admission to the MA/MSc/MCom/MCA/MLIS/MPES/LLM/MFA/MVoc/B.Ed. (First Semester) ***in Adult Continuing Education and Extension, Ancient History & Archaeology, Anthropology, Biochemistry, Biotechnology, Botany, Chemistry, Commerce, Dance, Earth Sciences, Economics, Education, English and Cultural Studies, Environmental Science, Fine Arts, Forestry, Geography, Hindi, History, Library & Information Science, Linguistics, LLM, Manipuri, Mass Communication, Master of Computer Application, Master of Vocational course in Tourism & Hospitality Management, Master of Vocational course in Entrepreneurship & Foreign Trade, Mathematics, National Security Studies, Philosophy, Physical Education & Sports Science, Physics, Political Science, Psychology, Sociology, South East Asian Studies, Statistics, Yoga Science, Zoology and Bachelor of Education*** for the academic session 2022-23.

**How to apply** : Interested candidates are informed to visit the Manipur University website at www.manipuruniv.ac.in. Only the online applications will be accepted.

**General Instructios :**

1. Before filling up of online application form, applicants should read the Prospectus & Instructions carefully and follow it strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PWD candidates are to be paid online using Debit Card/ Credit Card/Net-banking only.

**Important Date Lines :**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 16th September, 2022 |
| Last Date for online Submission | 30th September, 2022 |

**Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh**
**Registrar**

HL-B/7831/16,17